HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




Vol. 49, Issue No. 176 | থাংজ, মেরাগী মঙানি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, September 27, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

## মোইরাংথেম প্রেমজিৎপু এম য়ুগী রেজিষ্ট্রার ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীখিবা ইন্টরভিয়ুগী প্রোসিদিং হায় কোর্টতা চেলেঞ্জ তৌরক্লে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (ঐচএনএস) :** হৌজিক্লা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটিগী থাক্তা লৈবদা নত্তনা মণিপুরদা লৈবা তোঙান তোঙানবা য়ুনিভর্সিটিশিংগী মনুংদগী দিপার্টমেন্ট/ষ্টদি সেন্টর খ্বাইদগী মশীং য়াম্না হাংদোক্তুনা য়াল্লবা মহৈরোয়শিংনা মহৈ তল্লক্লিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা হৌজিক 'রেজিষ্ট্রার' ওইরিবা প্রোফেসর মোইরাংথেম প্রেমজিৎপু ফম অসিগীদমক এপোইন্টমেন্ট পীনবগীদমক পাঙথোকখিবা ইন্টরভিয়ু য়াওনা মঙোন্দা পীখিবা পোষ্ট অসিগী এপোইন্টমেন্ট ওর্দরবু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা দল্লিয়ু পি (সী) ৬৮৭ ওফ ২০২৫ ফাইল তৌরক্তুনা চেলেঞ্জ তৌরক্লে।

পিটিশন অসি মহৈকোল অসিমক্তদা দেপ্যুটি রেজিষ্ট্রারগী ফম পুনবগীদমক দিসেম্বর ২, ২০১৩দা থোকখিবা ওর্দরগী মতুংইন্না দেপ্যুটি রেজিষ্ট্রারগী ফম পুরন্বদগী হৌজিক্লা ওগষ্ট ১, ২০২৪দা থোকপা ওর্দরগী মতুংইন্না ধনমঞ্জুরি




য়ুনিভর্সিটিগী রেজিষ্ট্রার ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীবদগী মহৈকোল অসিগী ফম অসিবু পুরক্লিবা শগোলবন্দ থাংজম লৈরক্তগী ডা. আর কে জে ।তিন (৫৩) অপোকপা লৈখিদ্রবা আর কে প্রামেশ্বরনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি।

পিটিস্নরনা মহাক্কী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## মণিপুরগী পুলিস ষ্টেশন ১৩না কোনবা জ্যুরিসদিক্সন নত্তবা মফমশিংদা থা ৬কী ওইনা অফস্পা শাংদোকহল্লক্লে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (ঐচএনএস) :** মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসনা মার্চ ৩০, ২০২৫দা থোকখিবা নোটিফিকেশন এস.ও.১৫৩৮ (ঈ) গী মতুংইন্না মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট মঙাদা লৈবা পুলিস ষ্টেশন ১৩না কোনবা জ্যুরিসদিক্সনশিং নত্তবা অতোপ্পা মফমশিংদা আর্মদ ফোর্সেস স্পেশল পৱারস এক্ট-১৯৫৮গী মখাদা দিষ্টর্ব এরিয়া ষ্টেটসতা থল্লগা চৎনহল্লক্লিবা অফস্পাগী অথিংবশিং মথং থাগী ১ (ওক্টোবর ১, ২০২৫) দগী থা ৬কী ওইনা শাংদোক্লে হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসনা নোটিফিকেশন (এস.ও.৪৩৭৯ (ঈ) থোরকখ্রে।

হোম মিনিষ্ট্রিনা ঙসি থোরকপা নোটিফিকেশন অসিগী মতুংইন্না অফস্পাবু থা ৬কী ওইনা শাংদোকহল্লকপদা কোনশিল্লোইদবা দিষ্ট্রিক্ট মঙাগী পুলিস ষ্টেশনশিং অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা ইম্ফাল, লম্ফেল, সিটি, শীংজমৈ, পাৎশোই অমসুং ৱাঙ্গোইনি। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতনা পোরোম্পাৎ, হৈঙাং অমসুং ইরিলবুংনি। অদুগা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতনা থৌবাল পুলিস ষ্টেশন ওইরগনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকীনা বিষ্ণুপুর অমসুং নম্বোল পুলিস ষ্টেশনশিংনি। ককচীং দিষ্ট্রিক্টকীনা ককচীং পুলিস ষ্টেশননি।

পনবা য়াবদি, ঙরাং খক্তমক কোটুনা মণিপুর পূম্বদা অফস্পা চৎনহনগদবনি হায়দুনা দিমান্দ তৌখিবনি।

## রিমসতা মঞ্জু লৈখিদ্রবা মতুং নুমিৎ ৬নি শুরকপদা পুলিসনা 'অন-নেচরেল দেথ' গী কেস অমা লৌখৎলে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (ঐচএনএস):**



অঙাং উন্নবগীদমক থা অসিগী ১৬তা রিমস হোস্পিটালদা এদমিট তৌরকখিবী লিলোং চজিং অৱাং লৈকায়দগী চিংশুবম ওংবী মঞ্জু (৩৬) না থা অসিগী ২১গী নুংথিল পুং ২ রোম তারকপদা সিজরিয়ন সেক্সনদা মচানুপী অমা উন্নরম্লবা মতুংদা 'পোষ্টপার্টম হার্মোরেজ' (পি পি ঐচ-ঈ হাথবা) তৌরকপদগী অমুক হন্না ওপরেশন তৌরবা মতুংদা আই সী য়ুদা থল্লিঙৈ থা অসিগী ২১গী অয়ুক অঙনবা পুং ৩.৩০ রোম তারকপদা লৈখিদ্রে হায়না পাউ পীরকপা থৌদোক্কী মতাংদা ঙরাং ফাওবদা পুলিসকী মায়কৈদগী 'সুও মোটু' দা কেস লৌখৎলক্তবদগী ঙরাংমক মহাক্কী মপুরোইবনা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অমা ফাইল তৌখি। লৈখিদ্রবীগী মপুরোইবা সী ঐচ নিরন (৩৯) না কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অদু ঙরাং লম্ফেল পি এসতা ফাইল তৌখিবনি।

মহাক্লা রিপোর্ট অদু ফাইল তৌবগা পন্থদনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### অঙাং ফূবা থিজিল্লগনি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (ঐচএনএস):**

মণিপুর কম্মিশন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকী চ্যেরপর্সন কে প্রদিপকুমারনা ঙসি থোকপা ওর্দর অমদা কাঞ্চিপুরগী কেঠলিক স্কুলগী চহী মঙা খক্তা ঙাইরিবা প্রি প্রাইমারিগী মহৈরোয় অমদা কোর্পোরেল পনিশমেন্ট পীরে হায়বগী ভিদিও অমা মহাক্কী মমানা সোশল মীদিয়াদা থাগৎলক্লে হায়রদুনা থৌদোক অসিগী মতাংদা কম্মিশননা সুও মোটু কোগনিজেন্স লৌরগা মরী লৈনবা লোগী মতুংইন্না থিজিল্লগনি হায়রি।

### পাওনা কৈথেলগী ইভিক্সন

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (ঐচএনএস):**

মতম খরা নোং-চীংগী ফীভম ফত্তবনা লেপ্পুরবা মতুং পাওনা কৈথেলগী মফম খরদা এনক্রোচ তৌশিল্লম্বশিং তকথোকপা হৌখ্রে।

ইভিক্সন অসি দাইমন্দ টেলর লম্বী পরিংদা চখিবনি। ইভিক্সন অসি করিগীদমক চথবনে হায়বগী মরমশিং লম্ফেলগী এস দি ও, ৱাই ধমেন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

### কম্যুনিটি হোল শঙ্গাখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (ঐচএনএস):**

এম এল এ, ঐচ দিঙ্গোনা খুরখুল মখা লৈকায়দা কম্যুনিটি হোল অমা ঙসি শঙ্গারদুনা চাওখৎপা খুন্নাই অমা পুরক্লবা ঐখোয় মশেল লিংজেল মান্নগদবনি অমসুং লিংজেল মান্নদ্রবা খুন্নাইনা কৈদৌনুংদসু চাওখৎপা পুরকপা ঙম্লোই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

### দেঙ্গি : অমুক্কসু ৭২ থেংনরে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (ঐচএনএস):**

হেল্থ সর্ভিসেস লোয়শঙদগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪দা দেঙ্গিগী অনৌবা পোজিটিভ কেস ৭২ থেংনবগা লোয়ননা ঙসি ফাওবদা মণিপুরদা থেংনবা লায়না অসিগী পোজিটিভ কেস মশীং ১৩৮২ শুরে হায়রি।

### য়ু জি অহুম ফারে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (ঐচএনএস):**

সিক্যুরিটি ফোর্সনা ঙসি মোংশাঙ্গৈ অৱাং লৈকায়দগী কোন্থৌজম ওপেন্দ্রো (৫২) কৌবা কে ৱাই কে এলগী কাদর অমা শওম্পুং কম্যুনিটি হোলদগী ফারে। অদুগা আর পি এফ/পি এল এগী কুম্বী সেতুপুর ৱার্দ নম্বর ২দগী খাঙেম্বম থোইবা এলিয়জ থোই (৪৮) কৌবা কাদর অমনা তেরা উরক চ্যেক পোইন্টদগী ফারে হায়রি।

পুলিসকী চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা ঙরাংসু সিক্যুরিটি ফোর্সনা লংথবাল কুঞ্জ মমাঙ লৈকায়দগী নিংথৌখোংজম রবিচান্দ এলিয়জ চীংশাংলাকপা এলিয়জ গোরোবা (২৫) কৌবা কে সী পি - পি দল্লিয়ু জিগী কাদর অমা শওম্পুং কৈথেলদগী ফারে হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## সপরমৈনা পুলিসনা ত্রক দ্রাইভর ফূবদগী দ্রাইভরশিংনা ষ্টিয়ারিং থাদোকখ্রে

### চেন্নবা পুলিস সস্পেন্দ তৌদ্রিবা ফাওবা ৱারী শানরোই : এম দি এ



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (ঐচএনএস) :**

ইম্ফালদা পোৎ চৈ থাদরুরগা সেনাপতিদা লৈবা ময়ূমদা হল্লকপা ত্রক দ্রাইভর অমা সপরমৈনা পুলিসনা খাল্লগা ফীভম থীনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ফোরেষ্ট এরিয়া মনুংদা ওইল পাম থাবশিং চৈরাক পীয়ু : পি এফ এ



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (ঐচএনএস) :** পিপল ফোর এনিমেলস, মণিপুরগী মেনেজিং ত্রষ্টি এল বিশ্বাজিৎ মৈতৈনা থোরকপা চেরোল অমদা ফোরেষ্ট এরিয়াগী মনুংদা ওইল পাম থাবশিং চৈরাক পীয়ু হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, পি এফ এনা মণিপুরদা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## এম্বুশতা চেন্নবা পি এল এগী কাদর অনী ফারে : পুলিস

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (ঐচএনএস) :** পুলিস কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা থা অসিগী ১৯দা নম্বোল শাবল লৈকায় মপাদা ৩৩-এ আরদা চথখিবা এম্বুশতা মরু ওইনা চেন্নবনি হায়বা পি এল এগী কাদর অনী ফারে হায়রি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না ফারবশিংদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংবল হৈরুথোং লৈকায়দগী থোঙ্গ্রাম সদানন্দ এলিয়জ ঙাচিক এলিয়জ পুরকপা (১৮) অমসুং কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায়দগী চোংথাম মহেশ এলিয়জ মোমো এলিয়জ অমো (৫১) নি হায়রি।

ফারবা মখোয় অনীগী মনুংদা টি ঐচ সদানন্দনা ফোর্মেল এরেষ্ট তৌবনি অদুগা সী ঐচ ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## লোনা য়াদবা মওংদা পেট্রোল য়োল্লিবশিংগী মথক্তা মীৎয়েং চঙলগনি : সী এ এফ এন্দ পি দি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (ঐচএনএস) :** লোনা য়াদবা মওংদা পেট্রোলিয়ম প্রদক্ট য়োল্লিবশিং মরু ওইনা য়ূমদা দিস্পেন্সর থমদুনা মৈহৌ-লাংপোক খুদোংথীবা থোকপা য়াবা মওংদা পেট্রোল য়োল্লিবশিংগী মথক্তা অকনবা মীৎয়েং চঙলগনি হায়না কঞ্জুমর এফেয়রস, ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুশন (সী এ এফ এন্দ পি দি) দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।




ঙসি নুংথিল দি আই পি আরগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকপা পাউমীশিংগা উনবদা সী এ এফ এন্দ পি দিগী পেট্রোলিয়ম, ওইলস এন্দ লুব্রিকেন্টস (পি ও এল) গী ওফিসর ওন স্পেশল ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## এ আর অমসুং এন সী বিনা চান্দেলদগী মীওই ২ লুপা ক্রোর ৫৩ হেনবগী দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেটকা কোন্ননা ফারে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (ঐচএনএস):** হেদ ক্বার্টর, আই জি এ আর (সাউথ) না ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা এ আরগী পর্সনেল ২২না নার্কোটিক্স কন্ট্রোল ব্যুরো (এন সী বি) গা খূৎশম্নদুনা ঙসি চথখিবা ওপরেশনদা চান্দেলদগী অঙৌবা মচুগী মারুটি জিপসি অমসুং কেনবো বাইক অমা চ্যেক তৌনবা হোৎনবদা গাড়ীশিং অসিদা তোংলকপা মীওইশিং এ আরগী মোবাইল ভেহিকল চ্যেক পোষ্ট য়ৌগদবা মিটর ৬০/৭০ রোম ৱাৎলিঙৈদা খাল্লগা মনাক নকপা উমংদা চেশিন্নবা হোৎনখি। খুদক্তা কম্বাইন্দ টিম্না মখোয়গী খোঙ্গুল লীবদা মার্কেট ভেল্যুদা লুপা ক্রোর ৫৩.৮গী মমল ওইগদবা দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট কেজি ৬৭.২৬ রিকোভর তৌরে হায়রি।



দ্রগশিং অসিগা কোন্ননা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## দিপার্টমেন্ট ওফ টেক্সেসকী ওফিশলশিংনা দুকানশিংদা জি এস টি-২.০ ঙাক্না চৎলিব্রা য়েংশিনখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (ঐচএনএস) :** লৈবাক অসিদা গুদস এন্দ সর্ভিসেস টেক্স (জি এস টি) গী টেক্স ষ্ট্রকচরদা মপূং ওইবা স্লেব মরি চৎনহল্লন্নবা মতুং থা অসিগী ২২দগী শুপ্নতগী চাদা ৫ অমসুং ১৮গী চাংদা স্লেব অনীদা হন্থহল্লকপগা লোয়ননা অকক্লবা পোৎলম খরদনা চাদা ৪০গী চাংদা টেক্স লৌবা হৌহল্লকখ্রবা মতুংদা মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ টেক্সেসনা অয়াম্বা হোলসেলর অমসুং দিষ্ট্রিব্যুটরশিং লৈরিবা থাঙ্গাল অমসুং পাওনা কৈথেল য়াওনা খুয়াথোংনচিংবা মফমশিংদা লৈবা দুকানশিংদা হকথেংননা চৎতুনা নেক্স জেনরেশন জি এস টি অসিগী মতুংইন্না পোৎ চৈশিং য়োল্লিব্রা হায়বদু হকথেংননা য়েংশিনখ্রে হায়রি।



...মখা লমায় ৩ কলম ৭

